# এ এ পিদগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওরবদি কেস খুদিংমক হন্দোক্কনি হায়না থেল্লমখি : মনিস সিসোদিয়া

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী) :
মনিস সিসোদিয়াগী ওফিসল রেসিদেন্সতা সী বি আইনা রেদ চথখ্রবা মতুং বি জে পিগী মায়কৈদগী করিগুম্বা মহাক্না এ এ পিদগী তোক্লগা বি জে পিদা য়াওরক্লবদি মহাক্কী মথক্তা থাংগৎলক্লিবা কেস খুদিংমক ককথৎকনি হায়না বি জে পিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা লৈ হায়না দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা মনিস সিসোদিয়ানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী ময়ুমদা রেদ চথখ্রবা মতুং নিনিশুবা নুমিৎতা বি জে পিগী মায়কৈদগী মঙোন্দা ফোনগী খুত্থাংদা ৱাফম অসি হায়রকখিবনি। মহাক্কী মথক্তা চার্জ তৌরকখিবা খুদিংমক অরানবা ওইবা মরমনা সী বি আইসু তুমিন্না লৈখ্রে। বি জে পিনা মহাক্কী মথক্তা তৌনিংবা থবক তৌরকপা য়াগনি। অদুম ওইনমক রাজপুট অমা ওইনা অমদি মহারানা প্রটাপকী চারোন শুরোন ওইনা কনাগুম্বা অমত্তদা নোঙ্‌বা তৌরোই। লৌতুনবা অমদি করপসননা লাকহৎলবা মীওইশিংদা নোঙ্‌বগী মহুত্তা মশা মতোমতা মঙক কক্তুনা শিজখিবনা হেন্না ফৈ। এ এ পিনা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিংদা শন্দোকপা হৌরকপা উবদা লৈতাফম খঙদ্রবা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা এ এ পিগী লুচিংবশিংবু য়ুম্ফম য়াওদবা মরাল কয়া পীশিন্দুনা ফাজিন্নবা হোৎনরি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল মহাক্কীদি পোলিটিকেলগী ওজানি। কৈদৌনুংদা ঐনা কেজ্রিৱালবু মীনম্বা তৌরোই। লৈবাক অসিগী এদ্যুকেসন সিষ্টেম ফগৎহন্নবগীদমক পোলিটিক্সতা চঙলকখিবনি। সী এম ওইগে হায়দুনা পোলিটিক্স তৌবা নত্তে। বি জে পিনা মহাকপু সী এম ওইহনগনি হায়রবসু কৈদৌনুংদা কেজ্রিৱালবু মীনম্বা তৌরোই হায়রি।

অমরোমদা, বি জে পিগী লুচিংবা মনিস সিসোদিয়াগী ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মশাগী মরাল কুপশিন্নবা হোৎনবদা মরী লৈনদবা ৱাফম কয়া দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা ঙাঙলি। করপসন কেসতা চেন্নরিবা মীওই অমনা মহারানা প্রটাপকা চাংদম্নরকপা অসি নোক্লিংবা ফাওই। এ এ পিদা করপসন তৌবা মীওইশিংগী চঙজফম পীরম্বদি য়াই অদুবু বি জে পিদদি করপসন তৌবা মীওইশিংগী লৈফম লৈতে হায়রি।



# লৌমীশিংগী খোঙজংনা মরম ওইরগা দেল্লি ঙমখৈদা ট্রাফিক জাম থোকহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী কোনুং জনতর মন্তরদা লৌমীশিংগী ওইনা পাঙথোক্লিবা মহা পঞ্চায়টতা শরুক য়ানবগীদমক লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লৌমী কয়া দেল্লিগী ঙমখৈ শরুক্তা থুংলখিবা লোয়ননা ট্রাফিক জাম চাওনা থোকহনখ্রে হায়না দেল্লি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ঘাজিপুর অমসুং সিংহু য়াওনা দেল্লি ঙমখৈগী শরুক লানশিল্লকপা গাড়ীশিং পুলিসনা চেক তৌখি। মহা পঞ্চায়টতা পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক তঙাইফদনা দেল্লি বোর্দরদা গাড়ীশিং খামদুনা চেক তৌখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা গাড়ী চিনবগী চাং হেনগৎলক্লি ঙৈদা লৌমী কয়া মখোঙনা ঙমখৈগী শরুক লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপদগী চাওনা ট্রাফিক জাম থোকখিবনি। ট্রাফিক জাম থোকখিবা মফমশিং অদুদি ঘাজিপুর, সিংহু, কর্নাল রোদ, লিবসপুর, সমৈপুর বাদালি অমদি নারেলানি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা গাড়ী থৌদুনা লাকখিবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবদা ট্রাফিক জাম্না মরম ওইরগা জি টি কর্নাল রোদতা মহাক পুং ১ রোম হেন্না পন্দুনা লৈখি। মফম অদুদা পুলিসনা গাড়ী খুদিংমক অমমম্তা ওইনা চেক তৌখি। কিলোমিটর ৩ দগী ৪ রোম শাংবা মফমদা ট্রাফিক জাম থোকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মরুওইবা থবক কয়া মতম চানা পাঙথোকপা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক লৌমীশিংগী খোঙজংবুদি শৌগৎলি হায়না মীওই অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER THOUBAL-VII

Ref :- Mutation. Case No. 523/AS&SO/VII-TBL Dated:-11/08/2022
Parties :-
Athokpam Luwangba Meitei S/o Athokpam Jiban Meitei of Athokpam Awang Leikai. -Petitioner
-Vs-
Co. No. 1 :-
(L) Athokpam Lila Singh S/o (L) Anganghal Singh of Athokpam. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Dated : 22-08-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner No. 2. Athokpam Luwangba Meitei তহশিল খুল নং ৩২-অথোকপম পাট্টা নং ১৫৪ অনৌবা দাগ নং ৩০১৬ এরিয়া ০.১১২৬ হেক্তর ইস্খোল অসিগী পাট্টাদার কো নং. ১ অথোকপম লিলা সিংহ সাং অথোকপম অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner কো নং ২ গী মিংদা নামা অপুনবা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা ইস্খোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer-VII, Thoubal
HL-P/3930/23

# পুলিসতা খুৎ থারকখিবা মীওই ১ ফারে, ৫০ গী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে

কোজিকোদে, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা কেরলাগী মনুংচনবা কোজিকোদে সুমদ্র খোঙবানদা পাঙথোকখিবা ঈশৈগী থৌরম অমা লোয়শিনহন্নবা হোৎনরুবা পুলিস পর্সনলশিংদা খুৎ থারকখিবা মীওই ১ ফারে অমদি অতোপ্পা মীওই ৫০ গী মথক্তা কেসশিং রেজিষ্টার তৌখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস ওফিসল অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ঙরাং পাঙথোকখিবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অদু মী কা হেন্না চিনবগা লোয়ননা পুলিসনা থম্লিবা বেরিকেদশিং থুগাইদুনা মাঙহন-তাকহনবগী থবক চথবা হৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা পুলিসনা প্রোগ্রাম অদু লোইশিন্নবা হোৎনখি। মদুদা মীওই খরনা নুং অমদি বিয়র বোট্টলশিং শীজিন্নদুনা এটেক চথরকপদগী পুলিস পর্সনল ৬ য়াওনা মীওই ৩০ হেন্না অশোক অপন নঙখি। তুংদা অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং মফম অদুদা চঙশিল্লক্তুনা ইরাং অদুবু কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অদু মখা তানা চথহনখিদে।

অমরোমদা ভেলাইল পুলিস ষ্টেসনগী সিনিয়র ওফিসর অমদা বিয়র বোট্টল শীজিন্নদুনা এটেক চথরকখিবা মীওই অমা পুলিসনা ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

# গুজরাটতা য়াম্লবা দ্রগশিং ফাখিবগা লোয়ননা পি এম মোদিবু হুন্দুনা ঙাঙখ্রে

ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী) :
থা অসিগী ২১ দা মুম্বাই পুলিসকী এন্টি নার্কোটিক সেলনা গুজরাটতগী য়াম্লবা দ্রগশিং ফাবা ঙমখ্রবা মতুং হীরম অদুগী মতাংদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খঙশিন্নদবা শাদুনা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা দ্রগ লল্লোনবশিংবু য়োক্তুনা থল্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়দুনা মরাল শিরক্লি।

এন্টি নার্কোটিক সেলনা ঙরাং গুজরাটতগী মেফেদ্রোন শুঙফম য়ুনিট অমা থুগাইবা ঙমখিবগা লোয়ননা মফমদুদগী লুপা ক্রোর ১,০২৬ রোমগী ওইগদবা দ্রগশিং ফাগৎখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী হোম ষ্টেটতা লুপা ক্রোর লিশিং হেনবগী দ্রগ ফারবা ফাওবদা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসি চিংননিংঙাই ওই। ইন্দিয়াগী ফ্রিদম ফাইটর কয়াগী হৌরকফম ওইরিবা গুজরাটতা অসিগুম্বা মখলগী দ্রগশিং মরাং কায়না ফঙলক্লিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা য়াম্লবা দ্রগশিং ফাখ্রবা মতুং দ্রগশিং অদুবু লোৎতুনা থল্লল্লিবা পোর্ট মপু মরী লৈনবশিংনা ৱাহং পাউহং চথবা তৌদ্রি। এন সী বি অমদি গভর্ণমেন্ট এজেন্সীশিংনসু থৌদোক অসিগী মতাং এক্সন অমত্তা লৌরকপা লৈতে। মসিনা তাকপদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা দ্রগ মফিয়াশিংবু মপুং ফানা য়োক্তুনা থম্লি হায়বনি হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: MOIRANG

Ref :- Mut. Case No. 435/SDC/M Dated:- 22/8/2022
Hemam Ongbi Angom Bina Devi W/o (L) Hemam Nabakumar Singh of Moirang Phiwangbam Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Hemam Nabakumar Singh S/o (L) Chaoba Singh of Moirang Phiwangbam Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Moirang, the 22nd Aug., 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ১৩৮১/৫১০৯ অনৌবা সি:এস:দাগকী নং ৬২৬৪/৯০৮৫ এরিয়া ০.২৩ একর চাওবা ইস্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারী অসিদা মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector Moirang
HL-P/3926/23

# 'প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবগীদমক লাকপা নত্তে, লৈবাক অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা খক্তনি'

অহমদবাদ, ওগষ্ট ২২ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী হোম ষ্টেট ওইরিবা গুজরাটতা ঙসি দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা থুংলবা মতুং মহাক মফম অদুদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম পায়নবগীদমক লাকপা নত্তে, ইন্দিয়াবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবা খক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

গুজরাটতা মহাক থুংলবা মতুং পাউমীশিংনা হংলকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, এ এ পিগী মরুওইবা পান্দমদি অহানবদা লৈবাক অসিগী এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ ক্যের সেক্টরশিং মপুং ফানা চাওখৎহনবনি। হায়রিবশিং অসিগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবনি হায়বা লৈতে। দেল্লিদা এ এ পিগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং এদ্যুকেসন অমদি হেল্থ ক্যেরগী শক্তম করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রি।

অমরোমদা, মনিস সিসোদিয়াগী মথক্তা লিকর সেল পোলিসিগা মরী লৈননা বি জে পিনা নাকোয়ননা চার্জ তৌরক্লিবা অদুগী মতাংদা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মখা তানা হায়, দেল্লিগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়া নুমিৎ হুমনি মরিনিগী মনুংদা ফারবা য়াই হায়বগী পাউ তারে। ঐসু ফারবা য়াই। হায়রিবশিং অসি গুজরাটকী পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা বি জে পিনা চথরকপা খুজিন থৌরাংশিংনি হায়রি।

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

***ADMISSIONS OPEN***
FOR THE ACADEMIC YEAR 2022-23
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN ONE OF THE BEST DENTAL, ENGINEERING, NURSING AND PHARMACY COLLEGES OF BANGALORE
*** COURSES OFFERED: ***
(1). BDS Fees Structure : 16 Lakhs Package.
(2). B. E (Computer Science / Artificial Intelligence and Machine Learning) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.35 lakh, 2nd Year to 4th year Rs: 90K per Year.
(3). B. E (Civil / Electronics and Communication / Mechanical) Fees Structure :
1st Year Rs: 1.15 lakh, 2nd Year to 4th Year Rs: 75K per Year.
(4). B. Pharmacy Fees Structure : 1st Sem Rs: 1.25 lakh, 2nd Sem to 8th Sem Rs: 50K per Semester.
(5). MSc Nursing Fees Structure : 1st Year Rs: 1 lakh, 2nd Year Rs: 1 lakh.
(6) GNM Fees Structure : 1st Year Rs: 1.9L ,2nd year Rs : 1.1L, 3rd year Rs: 90k(including hostel).
CONTACT US: 8310788408, 9362331862.
REGIONAL ADMISSION OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.
HL-P/3364/4,6,8,10,12,14,17,19,21,23,25,27,29,31, Sept

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 325/SDC/YPK/2022. Date: 22/8/2022
Parties:
1. Nongthombam Jugin Singh S/o (L) Nongthombam Jugeshwor Singh of Brahmapur Laipubam Leikai.
2. Nongthombam Ongbi Yumnam Babita Devi W/o (L) Nongthombam Anand Singh of Singjamei Wangma Bheigyabati Leikai.
3. Takhellambam Ningol Nongthombam Ongbi Roni Devi W/o (L) N. Kanta Singh of Brahmapur Bheigyabati Leikai.
4. Nongthombam Bhimchand Singh S/o (L) Jugeshwor Singh of Yaiskul Chingakham Leirak. -Petitioners
-Vs-
Co- Pattadar :
(L) Nongthombam Sumati Devi W/o (L) N. Jugeshor Singh of Singjamei Bheigyabati Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Date, 22/8/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner (s) শিংনা, য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ৯৯-চরাংপাৎ পাটা নং ৪৫, ১৫৩ অমসুং ২২৭ অরিবা ৩৫৭ অনৌবা দাগ নং ১২১৬, ১২২৯ অমসুং ১২১৫ এরিয়া ১.২৮৮৫০, .২৯২৭০ অমসুং .২৮৭৭০ হে: চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী মনুংদগী দাগ নং ১২১৬ গী এরিয়া .৭৭৩১ না Petitioner নং ১ দা, এরিয়া .৫১৫৪ না Petitioner নং ২ দা, দাগ নং ১২২৯ না Petitioner নং ৩ দা অমসুং দাগ নং ১২১৫ অসিনা Petitioner নং ৪ গী ওইগদবা পাট্টাদার নোংথোম্বম শুমতি দেবী পতি য়ুগেশ্বর সিংহ সাং সিংজমৈ ভৈগ্যাবতি লৈকাইদা লৈবী অসি মৃতু ওইখ্রে হায়রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner (s) শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফমশিং অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবিগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Yairipok
HL-P/3724/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: KUMBI, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 260/SDC/Kumbi, 2022. Date: 22/08/2022
1. Amom Jiten Meitei S/o (L) A. Jammenjoy
2. Amom Ibomcha Meitei S/o (L) A. Jammenjoy of Wangoo Parking Makha. -Petitioners
-Vs-
(L) Amom Jammenjoy S/o Sana Singh of Wangoo. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Kumbi, 22nd August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 61-Wangoo দা লৈবা পাট্টা নং 1259 (অনৌবা) সী এস দাগ নং 5307 এরিয়া 1.10 একর চাওবা লম তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector: Kumbi
HL-P/3925/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 326/SDC/YPK/2022. Date: 22/8/2022
Parties:
Konthoujam Thoibi Devi W/o (L) Khundongbam Manitomba Singh of Poiroukhongjin Litan Makhong. -Petitioner
-Vs-
(L) Khundongbam Manitomba Singh S/o Ibopishak Singh of Poiroukhongjin. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Date, 22/8/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner (s) শিংনা, য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ৯৯-চরাংপাৎ পাট্টা নং ৩৭ অরিবা ২৭৬ অনৌবা দাগ নং ২৮ এরিয়া .৩৬১৫ হেক্তর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার খুন্দোংবম মনিতোম্বা সিংহ পীতা ইবোপীশক সিংহ সাং পোইরৌখোংজিনদা লৈবা অসি মৃতু ওইখ্রে, হায়রি। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner (s) সিগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবিগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Yairipok
HL-P/3724/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: KUMBI, MANIPUR

Ref :- Mutation Case No. 261/SDC/Kumbi, 2022. Date: 22/08/2022
1. Leishangthem Ningol Amom Ongbi Mema Devi D/o (L) L. Kalachand Singh of Wangoo Terakhong and
2. Leishangthem (N) Mayengbam Ongbi Borni Devi D/o (L) Kalachand Singh of Wangoo Naodakhong Mayai Leikai. -Petitioners
-Vs-
Leishangthem (N) Amubi Devi D/o (L) Kalachand Singh of Naodakhong. -OP/Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Kumbi, 22nd August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬০-সাগাং দা লৈবা পাট্টা নং ১০০১ (অনৌবা) সী এস দাগ নং ৯০২৬ এরিয়া ০.৩৬ একর চাওবা লম ইস্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: পাট্টাদার ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং মনুংনা মিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চথগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই।

Sd/- Sub-Deputy Collector: Kumbi
HL-P/3931/23

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-IV, Imphal West, Manipur

Ref :- Mutation. Case No. 97/AS&SO/IV Dated:-9/08/2022
1. Laishram Gopen Singh S/o (L) L. Kameshwor Singh of Wangkhei Panchim Brahmapur Aribam Leikai.
2. Laishram Rojen Singh S/o - do - of - do -
3. Laishram Bunocha Singh S/o - do - of - do - -Petitioner
-Vs-
(L) Laishram Kameshwor Singh S/o L. Leiren Singh of Brahmapur Aribam Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Dated : 22-08-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 38- Wangkhei Panchim Brahmapur পাট্টা নং 137 (Angs) অরিবা 525 অনৌবা দাগ নং 318 এরিয়া 0.012 একর চাওবা ইস্খোল অসিগী পাটাদার নং Laishram Kameshwor Singh S/o (L) Leiren Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইস্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 30/8/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer-IV Imphal West, Manipur
HL-P/3928/23

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: YAIRIPOK

Ref :- Mutation Case No. 300/SDC/YPK/2022. Date: 22/8/2022
Parties:
Nongthombam Ningol Laitonjam Ongbi Anita Devi W/o Laitonjam Ranjan Singh of Keishampat Leimajam Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Moirangthem Ningol Nongthombam Ongbi Sumati Devi W/o Jugeshor Singh of Brahamapur Bhagapati Leikai. -OPP

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE
Yairipok, the 22/8/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না, য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১২০-লাংমৈথেৎ পাট্টা নং ৮০ অরিবা ১৯০ অনৌবা দাগ নং ৩২৯ এরিয়া .৫৮১৭ হেক্তর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মোইরাংথেম নিংঙোল নোংথোম্বম ওংবী শুমতি দেবী পতি য়ুগেশ্বর সিংহ সাং ব্রহ্মপুর ভাগবতি লৈকাইদা লৈবা অসি মৃতু ওইখ্রে, হায়রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা Petitioner গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অয়েৎ চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবিগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector, Yairipok
HL-P/3724/23

ADVANCED COACHING INSTITUTE
(HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR
FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE
2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC
1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS
7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS
1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel
MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August
For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advanceecoachinginstitute
LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm
For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH
HL-B/7784/ 5/8 (Alt 30 days)
HL-B/7788 (8/8 to 24/8)

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN Class 4 to 10 (BOSEM & CBSE)
FOUNDATION COURSE Class 11 Science (COHSEM & CBSE)
Starts on 25th August 2022
TOPPERS of 2022
8TH POSITION SABIRAH BEGUM NIRMALABAS
9TH POSITION S. SWATI LITTLE FLOWER
10TH POSITION M. KHELINA LITTLE FLOWER
13TH POSITION B. BRINDA NIRMALABAS
14TH POSITION P. JENIBHA NIRMALABAS
16TH POSITION KH. SANAMATUM RIGHT STEP, SEKMAI
16TH POSITION SHINY S. NIRMALABAS
17TH POSITION GAGAN N. ST. JOSEPH
BIDYA TH. LITTLE FLOWER 17TH POSITION
Y. KHELINA CHRIST JYOTI 17TH POSITION
KHENIJA CHRIST JYOTI 17TH POSITION
MALEMNGANBI S. NIRMALABAS 17TH POSITION
JOSPHIN S. NIRMALABAS 18TH POSITION
MADHURISANA W. COMPREHENSIVE, OINAM 22ND POSITION
LINTHOI S. NIRMALABAS 25TH POSITION
SUBJECT TOPPERS 2022
MATHEMATICS : 100
1. BIDYA TH. (LFS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)
3. GAGAN N. (SJS)
4. KH. TOP JOHN (HERITAGE)
5. SANAMATUM (RIGHT STEP)
6. MALEMNGANBI S. (NBS)
7. M. KHELINA (LFS)
8. SABIRAH BEGUM (NBS)
9. S. SWATI (LFS)
10. SHINY S. (NBS)
11. SUBHALAKSHMI (TINY TOTS)
HR. MATHS : 100
1. B. BRINDA (NBS)
2. BRAJALIEN (TINY TOTS)
1ST POSITION 2020 RESHMI N. Pitambara
1ST POSITION 2019 BHUMIKA SH. Pitambara
1ST POSITION 2018 YAIPHABI M. (LFS)
1ST POSITION 2017 PRIYANKA M. (NBS)
1ST POSITION 2016 SOHANA L. (NBS)
1ST POSITION 2013 MIRANDA M. (NBS)
FIRST COME FIRST SERVE
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS WITH WI-FI FREE CAMPUS
CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342